

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, MAY 14, 2018 **PAGE 7**

*মেঞ্চেষ্টর সিটিগী কেভিন দি ব্রুইনবু মায়থিবা পীদুনা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চৎলিবা সিজন অসিগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোইগী মনা ফংখ্রবা লিভরপুলদা শান্নরিবা ইজিপ্ত মচা মোহমদ সালা*

*ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ফুটবোল টিম অমা ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী এসিস্টেন্ট মেনেজর ওইদুনা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা অদুগা সিজন অসি লোইশিল্লকপদা পুরম্বা ফম অদুদগী পোত্থারগনি ফোঙদোকখ্রবা রুই ফারিয়া*



## নভনিত কোরগী হেটট্রিক্কা এসিয়ান ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিগী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা জপানবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে

*দোঙ্গে সিটি, মে ১৩ঃ*

সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী সিটি দোঙ্গেদা এসিয়াগী হোক্কি শান্নবা মকোক থোংবা লৈবাক ৫ না লম্বা তৌনদুনা চত্থরিবা এসিয়ান ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিগী অহানবা মেটচতা নভজিত কোরগী হেটট্রিক্কা ইন্দিয়ানা জপানবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং জপাননা শান্নখিবা রাউন্দ রোবিনগী অহানবা মেটচ অদুগী ৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা নভনিত কোরনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা নভনিত কোরনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা জপানবু ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা অমনা অমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্নদুনা এটেক তৌদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৫৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা অনুপা বর্লানা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা জপানবু খুৎ হনবা ঙম্লোইদবা মওংদা থমখি।

অহুমশুবা পাঞ্জল চনখিবা মিনট ২ লৈরগা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মখা তাবা এটেক অমদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রবী নভনিত কোরনা মহাক্কী হেটট্রিক্কী পাঞ্জল অদু ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা চন্দুনা জপানবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৪–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ৫ রোমগী মতম অদুদা টিম অনীনা মখা তানা লম্বা তৌনরকপদা ৫৮শুবা মিনটতা জপানগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা আকী য়ামাদানা ফিল্ড গোল মেগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা শোত্থরম্বা পাঞ্জল ৪গী মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙমখি।

মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী এসিয়ান ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা জপানবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম অসিনা এসিয়ান ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা চাইনাগা থা অসিগী ১৬ তা শান্নরগনি।

এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা য়ুম্বু লৈবাক সাউথ কোরিয়ানা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

অহানবা হাল্ফ য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখিবদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৩২শুবা মিনটতা মালেসিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদগী নুরুল মন্সুরনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মিনট ২ লৈরগা সাউথ কোরিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা য়ুরি লিনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি।

শান্নবগী ৪৩শুবা মিনটতা সাউথ কোরিয়ানা মখা তানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা টিম অদুগী শান্নরোই হিয়ুঞ্জিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মালেসিয়াবু ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল মাঙজিল থারবা সাউথ কোরিয়ানা শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা মখা তানা তৌরকখিবা এটেক অমদা বোমী কিমনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মালেসিয়াবু ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ৫ রোমগী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু য়ুম্বু লৈবাক সাউথ কোরিয়ানা মালেসিয়াবু ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।



*ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি শান্নরোইশিংনা জপানগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লুরবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

## ইন্দিয়াগী সুট্টর গগন নারংনা ইন্টরনেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপকী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংখ্রে

*হেনওভর, মে ১৩ঃ*

জর্মনিগী মরুওইবা সিটি অমা ওইরিবা হেনওভরদা চত্থরিবা ইন্টরনেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপাগী সুট্টর গগন নারংনা মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংখ্রে।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী নুপাগী সুট্টর গগন নারং ৱার্ল্ড সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং ওলিম্পিক্কী মেডল ফংবা ঙমখ্রবা সুট্টরনি।

হেনওভরদা পাঙথোক্লিবা ইন্টরনেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী নুপাগী সুট্টর গগন নারংনা স্বিদেনগী সুট্টর মার্কস মেদসেনবু শুপ্পগী পোইন্ট ২ হেন্দুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী গগন নারংনা ইন্টরনেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্ট অদুগী ফাইনেল রাউন্দদা পুন্না পোইন্ট ২৪৯.৬ কাপ্পুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদুনা স্বিদেনগী সুট্টর মার্কস মেদসেননা পুন্না পোইন্ট ২৪৭.৬ কাপ্পুনা ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা য়ুএসএগী সুট্টর জিওর্জি নোর্টোননা পোইন্ট ২২৫.৯ ফংলগা লৌখি।

মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিং মোনু কুমার, মানাস কুমার সিংহ, মুকুন্দ অগরৱাল, গজেন্দ্র সিংহ রানাৱট অমসুং অধিরাজ সিংহ মান মথং শিংনা ৯, ১৯, ২৪, ২৬ অমসুং ৩০শুবা পোজিসন তাখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্টরনেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙরাং পাঙথোকখিবা নুপাগী রাইফল থ্রি পোজিসনদা ইন্দিয়াগী গগন নারং কজাখস্তানগী সুট্টর য়ুরি য়ুরকোভকী মখূত্তা ফাইনেল রাউন্দদা হেনখিবদগী সিলভর মেডল ফংহৌবনি।

ইন্টরনেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙরাং পাঙথোকখিবা এয়র রাইফল মিক্স টিমদা ইন্দিয়াগী ভিনিতা ভরদৱাজ অমসুং মুকুন্দ অগরৱালনা পুন্না পোইন্ট ৪৯০.৭ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী ভিনিতা ভরদৱাজ অমসুং মুকুন্দ অগরৱালনা ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ৮৩২.২ ফংদুনা মকোক ওইদুনা লাকখিবনি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডল অদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জর্মনিগী সুট্টর মারান প্রেদিগর অমসুং সোরেন মৈসনরনা পুন্না পোইন্ট ৪৯০.৩ ফংদুনা লৌখি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা নুপীগী রাইফল থ্রি পোজিসনদা ইন্দিয়াগী সুট্টর লাজজা গোস্বামীনা ফাইনেলদা পুন্না পোইন্ট ৪৫১.৮ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

লাজজা গোস্বামীনা ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পুন্না পোইন্ট ১১৬৫ ফংদুনা অতোপ্পা সুট্টরশিংদগী খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখি।

জর্মনিগী সিটি হেনওভরদা চত্থরিবা ইন্টরনেসনেল সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা নুপাগী এয়র পিষ্টোলদা ইন্দিয়াগী অমনপ্রিত সিংহনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। অমনপ্রিত সিংহ নুপাগী ফ্রি পিষ্টোল ইভেন্টতসু সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সুট্টর এপ্রিট গোয়লনা রেপিদ ফায়র পিষ্টোল ইভেন্টকী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। অদুগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপাগী সুট্টর গুরপ্রিত সিংহসু ষ্টেন্দর্দ পিষ্টোল ইভেন্টকী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।



*মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা গোল্ড লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সুট্টর গগন নারং*

## জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে, নুপাগী দবলসকী টাইটলনা মেকটিক অমসুং পেয়ানা ফংখ্রে

*মাদ্রিদ, মে ১৩ঃ*

জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই পেত্রা কিটোভানা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সপু ফাইনেলদা মায়থিবা পীদুনা মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে, নুপাগী দবলসকী টাইটলনা ক্রোএসিয়াগী নিকোলা মেকটিক অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী আলেকজেন্দর পেয়ানা ফংখ্রে।

মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ১০শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সপু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা ঙরাং শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ অতোপ্পা জেক রিপব্লিক্কী শান্নরোই কেরোলিনা প্লিজ কোভাবু ৭–৬(৭–৪), ৬–৩ দা থোইরমখি।

অমরোমদা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৭শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়াবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখিবদগী টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি। টাই ব্রেক অদুদা জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সপু ৮–৬ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোত্থরিবা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সকী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরক্কুনা শান্নরকপদগী জেক রিপব্লিক্কী কিটোভাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অদু মায় পাকখিবদগী মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচ ক্রোএসিয়াগী নিকোলা মেকটিক অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী আলেকজেন্দর পেয়ানা ২শুবা সিদেদ য়ুএসএগী বোব ব্রাইন অমসুং মাইক ব্রাইনগা শান্নবদা নিকোলা অমসুং পেয়ানা অহানবা সেট ৫–৩ দা হেন্দুনা লৈরিঙৈ য়ুএসএগী পেয়র বোব ব্রাইন অমসুং মাইক ব্রাইন শোকপনা মরম ওইরগা মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী ক্রোএসিয়াগী নিকোলা মেকটিক অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী আলেকজেন্দর পেয়ানা টাইটল লৌখি।

মাদ্রিদ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভপু সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৬–৪, ৬–১ দা থোইরম্বা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভকা লম্বা তৌনরগনি।



*মাদ্রিদ ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবী জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভা*

## চাইনাগী কাই য়ানিয়ান অমসুং লু গুৱাংঝুনা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

*সিদনি, মে ১৩ঃ*

চাইনাগী শান্নরোই অনী কাই য়ানিয়ান অমসুং লু গুৱাংঝুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি সিদনিদা চত্থরিবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা চাইনাগী কাই য়ানিয়াননা জপানগী আয়ুমী মিনেবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরম্বনি।

অহানবা গেমদা চাইনাগী কাই য়ানিয়াননা জপানগী শান্নরোই আয়ুমী মিনেবু লম্বা কয়া পীদনা ২১–১৪ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু গেম অমা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল মেটচ অদুদা গেম অমা মাঙজিল থারবা চাইনাগী কাই য়ানিয়াননা অনীশুবা গেম অদুদসু মহাক্কী ফজবা মশান্না অদু মখা তানা শান্নখিবদগী জপানগী শান্নরোই আয়ুমী মিনেবু ২১–১৩ দা থোইদুনা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা চাইনাগী শান্নরোই লু গুৱাংঝুনা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোই ঝৌ জেকিবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

চাইনাগী লু গুৱাংঝুনা অহানবা গেম অদুদা য়াম্না হেনখিবদগী ঝৌ জেকীবু য়াম্না কোম্না ২১–১৮ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদুদা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেম অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরক্কুনা পোইন্ট ২১–২১ দা মান্নদুনা লৈখি। মখা তানা শান্নরকপদা থংনবা পোইন্ট অনী লু গুৱাংঝুনা লৌখিবদগী গেম ২৩–২১ দা থোইদুনা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী বেরি এঙ্গ্রিয়াৱান অমসুং হর্দিয়ান্টোনা অতোপ্পা ইন্দোনেসিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ পেয়র ৱায়ু নায়াকা অমসুং এদে য়ুসুফপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরগা ২১–৯, ৯–২১, ২১–১৫ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ২শুবা সিদেদ পেয়র জপানগী আয়াকা সাকুরামেটো অমসুং য়ুকিকো টাকাহাটানা ৪শুবা সিদেদ পেয়র সাউথ কোরিয়াগী বেক হা না অমসুং লি য়ু রিংবু অকনবা লম্বা অমদা ২৩–২১, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ পেয়র সাউথ কোরিয়াগী সিও সিয়ুং জে অমসুং চে য়ু জুংনা ৭শুবা সিদেদ মালেসিয়াগী পেয়র চান পেং সুন অমসুং গো লিয়ু য়িংবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১২, ২৩–২১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।



*ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টনগী নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন চাইনাগী য়ানিয়ান*



*ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন চাইনাগী গুৱাংঝু*

## ইন্দিয়াগী অনকিতা অমসুং বৃটেনগী দার্টনা আইটিএফ ৱুমেন্সকী দবলস টাইটল লৌখ্রে

*লুৱান, মে ১৩ঃ*

চাইনাগী সিটি লুৱানদা চত্থরকপা য়ুএস দোলর ৬০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা আইটিএফ ৱুমেন টুর্নামেন্টকী দবলসকী টাইটল অদু ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনা অমসুং গ্রেট বৃটেনগী হরিয়েট দার্টনা লৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনা অমসুং বৃটেনগী হেরিয়েট দার্টনা ঙরাং শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা য়ুম্বু লৈবাক চাইনাগী পেয়র ফাঙঝৌ লিয়ু অমসুং ফাঙ য়িং জুনবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরম্বনি।

অহানবা সেট ইন্দিয়া অমসুং বৃটেনগী পেয়র অদুনা চাইনাগী পেয়র অদুগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা ইন্দিয়া অমসুং বৃটেনগী পেয়র অদুনা অনীশুবা সেট অদুদসু চাইনাগী পেয়র অদুগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা দবলসকী টাইটল অদু লৌখি।

ইজিপ্তা পাঙথোকপা আইটিএফ মেন্স টুর্নামেন্টকী দবলসকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী তরুন অনিরুধ চিলাকালাপুদি অমসুং পিসি ভিঘেস বৃটেন অমসুং ব্রাজিলগী পেয়রগী মখূত্তা ১–৬, ৪–৬ তা মায়থিহৌখি।

## স্পেনগী লা লীগা ফুটবোলদা রিয়েল মাদ্রিদনা সেল্টা ভিগোবু ৬–০ দা থোইখ্রে ইটালিগী সেরি এ ফুটবোলদা সাসুলোনা ইন্টর মিলানবু ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে

*মাদ্রিদ। রোম, মে ১৩ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা ৩৭শুবা রাউন্দগী মেটচতা রিয়েল মাদ্রিদনা সেল্টা ভিগোবু পাঞ্জল ৬–০ দা থোইখ্রে। ইটালিগী সেরি এ ফুটবোলগী ৩৭শুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্টর মিলানবু সাসুলোনা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং সেল্টা ভিগোনা শান্নখিবা ৩৭শুবা লীগ মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী এটেক অমদা জেরেথ বেলনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী এটেক অমদা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা জেরেথ বেলনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা সেল্টা ভিগোবু হেন্দুনা লৈখ্রবা মতুং শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা টিম অদুগী মখা তানা এটেক অমদা ইস্কোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা সেল্ট ভিগোবু রিয়েল মাদ্রিদনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদসু রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী এটেক অমদা অচ্রাফ হাকিমিনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা সেল্টা ভিগোগী শান্নরোই সরগি গোমেজনা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা রিয়েল মাদ্রিদনা মখোয়বু ৫–০ দা হেন্দুনা লৈখ্রবা মতুং ৮১শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই টোনি ক্রুজনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা সেল্টা ভিগোবু পাঞ্জল ৬–০ দা মায়থিবা পীখি।

সেরি এ গী ইন্টর মিলান অমসুং সাসুলোনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল সাসুলোগী শান্নরোই মেটিও পোলিটানোনা ২৫শুবা মিনটতা চল্লবা মতুং অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা সাসুলোগী শান্নরোই দোমেনিকো বেরার্দিনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা ইন্টর মিলানগী শান্নরোই রাফিনহানা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমদুনা মেটচ অদু ইন্টর মিলান পাঞ্জল ১–২ দা মায়থিখি।




*রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনী চনখিবা জেরেথ বেল (য়েৎ)*